# নমদুনা হিন্দি তমহনবগী মায়োক্তা ইরাং হৌরকপদগী সেন্টরনা ড্রাফট এদুকেসন পোলিসি হোংদোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুন ৩(এজেন্সি)ঃ***
সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টকী অনৌবা ড্রাফ্ট নেসনেল এদুকেসন পোলিসিদা লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা হিন্দি তমহন্নবগী ৱাফম অদু হিন্দি লোন ঙাংদবশিংগী মথক্তা চত্থরকপা নমফুগী খোঙথাং অমনি হায়দুনা ষ্টেট কয়ামরুন্না মরান শীরকখিবা অমসুং ঈরাং হৌরকখিবদগী ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা লোন অদু তন্নবুসু য়াবা তমদ্রবসু য়াবা ওইহন্দুনা সেন্টরনা ড্রাফ্ট নেসনেল এদুকেসন পোলিসি অদুদা হোংদোক-হোংজিন তৌখ্রে।

মহৈরোইশিংনা সেকেন্দরি স্কুল মতমদা মখোয়গী বোর্দ একজামিনেসনশিংদা লিটরেচর লেভেলদা লোন ৩দুগী মনূংদগী অমা ফজনা শিজিন্নবা ঙম্লিবমখৈ মখোয়গী গ্রেদ ৬ নৎত্রগা গ্রেদ ৭তা লোন ৩দুগী মনূংদগী অমা নৎত্রগা অমদগী হেনবদা ওন্নিংবদু ওনবা য়াই হায়না শেমদোক্লবা ড্রাফ্ট পোলিসি অদুনা হায়রি।

হান্নগী ড্রাফ্ট নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০১৯দা হায়রিবনা হিন্দি লোন ঙাংদবা ষ্টেটশিংদা মফমদুগী মমালোন অদুগী মথক্তা ইংলিস অমসুং হিন্দি তমহন্নবগী লোন ৩গী ফোর্মুলা অমা রিকমেন্দ তৌরি। অদুগা হিন্দি লোন ঙাংবা ষ্টেটশিংদা ইংলিস অমসুং ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফমশিংদগী লোন অমা তমনবা ৱাফম থল্লি।

চাওখৎলবা মলেমগী অয়াম্বা মফমদা তৌনবগুম্না লোন কয়ামরুম তম্বা অমসুং খঙবা হায়বসি ইন্দিয়াগীসু মথৌ তাবা অমনি অমসুং মসি পোৎলুম অমা ওইবগী মহুত্তা মীওই অমগী লোন খঙবা অমসুং পাকথোক-চাওথোকহন্নবগী খুদোঙচাবা তাঞ্জা অমা ওইনা লৌগনি হায়না ড্রাফ্ট পোলিসি অদুনা হায়খি।

হিন্দি লোন ঙাংদবা ষ্টেটশিং, মরুওইনা তামিল নাদু অমসুং করনাতকাদগী লূচীংবা কয়ামরুন্না পোলিসি অদুগী মায়োক্তা লেপখি।

তামিল নাদুদা পার্টিগী খেন্নবা থমদনা লূচিংবশিংনা ষ্টেট অসিগী মথক্তা নমফুদা লোন তমহন্নবা হোৎনরকপা অমত্তা য়ারোই হায়খি। মসিগী চপ মান্নবা য়ানীংদবা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা করনাতাকা চীফ মিনিষ্টর ঐস দি কুমারাশ্বামিনা সেন্টরনা লোন অমত্তা নমফুদা তমহনবা য়ারোই হায়খি।

অদুমওইনমক, ৱাথোক অসিগী মরক্তা সেন্টরনা পোলিসি অদু অমুক হোংদোক-হোংজিন তৌবা য়ারিবা সুপ্নগী ড্রাফ্ট অমনি অমসুং লোন অমা নমফুদা তমহন্নবা হোৎনগদবা লৈতে হায়খি।

অনৌবা এদুকেসন পোলিসি ড্রাফ্ট তৌনবা কমিটি অমা শেমখি। কমিটি অদুনা মখোয়গী রিপোর্ট অমা থাগৎলকখ্রে। কমিটিগী রিপোর্ট অদু সুপ্নগী মিনিষ্ট্রিনা লৌশিল্লে। মদু পোলিসি নৎত্রি। কনাগুম্বা ষ্টেট অমত্তগী মথক্তা লোন অমত্তা নমদুনা শিজিন্নরোই হায়না ঐস আর দি মিনিষ্টর রামেস পোখ্রিয়াল নিশাঙ্কনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

# চিনাগী লানগী জহাজশিংনা অষ্ট্রেলিয়াগী সিদনি হার্বরদা ইখঙ খঙহৌদনা লাকখিবদা ঙক্লখ্রে



***সিদনি, জুন ৩(এজেন্সি)ঃ***
ঙসি নিংথৌকাবগী অয়ুক্তা অষ্ট্রেলিয়াগী সিদনি হার্বরদা চিনাগী লানগী জহাজ ৩ থৌজিল্লকপা উবদা নিংথমথাগী অয়ুক্তা নুংশা য়াইরিবা অষ্ট্রেলিয়ানশিং পূঙঙক ঙক্লখ্রে। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামগী অঙকপা অদু ফাথনবা হোৎনখ্রে।

বৈজিংগী শক্তি পাক চাওনা শন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখিবা অমসুং লৈবাকসিগী মীলিটরিনা মশোঙ ফন্দোক্লকখিবগী ৱাংনা উংখৎনরক্লিবগী মরক্তা চিনাগী লানগী জহাজশিং অমসুং নেভি সেল্লর ৭০০ লোম অদু উবদা অঙকপা ওইনখ্রে। মসি অতোপ্পশিংনদি অঙকপা অমা ওইবয়াই, অদুবু গভর্ণমেন্টতদি তশেঙনমক মদু অঙকপা নৎতে।

ঐখোয়না চিনাগী জহাজশিং অদু লাকপগী মতাংদা মতম খরগী মমাঙদা খঙলে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা হায়খি।

অষ্ট্রেলিয়াগী নেভি জহাজশিংনা চিনাদা চৎখি। মদুগী খোঙচৎ অদুগী মতূং ইন্না চিনাগী নেভিগী কাংবুনসু লাকপনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি। মখোয় মিদ্দল ইষ্টতা কাউন্টর দ্রগ ট্রাফিকিং ওপরেসন অমগী মতূংদা হল্লকখিবনি।

জহাজশিং অদু য়ুঝাও ক্লাস লেন্দিং সিপ অমা ওইরিবা কুনলুন শান, লৌমা লেক রিপ্লেনিসমেন্ট সিপ অমসুং সর্ফেস-টু-এয়ার অমসুং এন্টি-সবমেরিন মিসাইল সিষ্টেমশিং পানবা ওইগনি থাজবা মোদর্ন ফ্রিগেট অমা ওইবা জুচাং ওইরম্বা য়াই।

চিনাগী লানগী জহাজশিং লাক্লিবা মতম অসি সাউথ চিনা সিদা হন্দক্তা অষ্ট্রেলিয়াগী জহাজ অমবু চিনাগী জহাজ অমনা মায়োক্লখিবা অদুগী সুপ্নগী নুমিৎ খরনিগী তূংদনি। মসিদ নত্তনা অষ্ট্রেলিয়াগী হেলিকোপ্টর পাইলোটশিংবু লেজরশিংনা কাপশিল্লকখিবা কুইদ্রিঙৈদনি।

অদুবু অষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা জহাজশিং লাকপগী মতম তাঞ্জাগী মতাংদা খনজিনবসি হেনমন্না এনালাইসিস তৌবা ওইগনি খল্লি হায়খি।

চিনাগী নেভিগী জহাজশিংনা অষ্ট্রেলিয়াদা লাকপসি মহৌশানা এম্ফিবিয়স এসোল্ট সিপ অমা অমসুং পার্সোন্নেল ৭০০গা লোয়নবা টাস্ক গ্রুপ অমা নৎতে, সুপ্নগী ফ্রিগেট অমখক্তনি।

অমরোমদা কাউন্টর দ্রগ ট্রাফিক্কীং ওপরেসন অমদগী মিদ্দল ইষ্টকী গল্ফ ওফ এদেনদগী মখোয়গী য়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা সিদনিনা ঙাইহাক পন্দুনা লৈনবগী খুদোঙচাবা মফম অমা ওইদে। অদুনদি মসিদা করি ৱারী লৈ? হয়না অষ্ট্রেলিয়ান নেসনেল য়ুনিভর্সিটিগী নেসনেল সেক্যুরিটি কোলেজগী মকোক রোরি মেদকাফনা ৱাহং হংলি।

# ক্রু মেম্বর ৮ য়াওনা মীওই ১৩ তোংখিবা, মাঙখিবা আই এ এফ প্লেনগী অকায়বা অরুনাচলগী খূঙ্গংদা উখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ৩(এজেন্সি)ঃ***
অসামদা লৈবা এয়ার বেজ অমদগী ঙসি পাইখৎখিবা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী প্লেন অমা থিবা খঙখিদবা অদু অরুনাচল প্রদেসকী শি-য়োমি দিষ্ট্রিক্টকী তাতোগা হেক থংনবা পায়ুম খূঙ্গংদা কায়রগা তাদুনা লৈবা উখ্রে।







অপ্পর অসামগী জোরহাৎকী চিনা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মেচুকা তম্না পাইখিবা এ এন -৩২ ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফ অদু ঙসি নিংথৌকাবগী নুমিৎয়ুংবা মতূংদা থিবা খঙখিদবা অদুগী মতূংদা প্লেন অদুগী পাইলোট ২ য়াওনা য়ামদ্রবদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী পার্সোন্নেল ১৩ শিখ্রে হায়না চিংনরি।

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সতগী চপ চাবা ওফিসিয়েল ওইবা ৱাফম ফংদ্রবসু প্লেন অদুগী অতেক-অকাই অদু অরুনাচল প্রদেসকী তাতোগা নক্লবা পায়ুম খূঙ্গং মনাক্তা মনূং হঞ্জনবা মফম অমদা লৈবা উরে হায়না লিখুল কয়ামরুমনা ফোঙদোকখ্রে।

প্লেন অদু জোরহাৎ এয়ার বেজদগী নুংথিল পূং ১২.২৫তা পাইখৎখিবগী মিনিট ৩৫রোমগী তূংদা ই-পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি। প্লেন অদুনা অরুনাচল প্রদেশকী মেন্চুকা এদভান্স লেন্দিং গ্রাউন্দ তম্না পাইখিগদবনি।

এ এন -৩২ এয়ারক্রাফ অদুনা নুংথিল পূং ১দা ইকোন কোনবা ওইনা গ্রাউন্দ এজেন্সিশিংদা কন্টেক তৌরকখি। মদুগী মতূংদগী কন্টেক ফংনখিদ্রে।

প্লেন অদুদা মীওই ১১ তোংখি। মখোয় পূন্নমক অদু এয়ার ৱারিয়রশিংনি অমসুং মীচম অমত্তা য়াওখিদে। খুদোঙ থিবা তাখ্রবা এ এন -৩২ অদুদা পাইখিবা পার্সোন্নেল মমিংশিং অদু আই এ এফনা ফোঙদোকখিদে। দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা মাঙখিবা প্লেন অদুগী মরমদা ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স হেদক্বার্টরসকা তক্তনা পাউ ফাওনরি।

রিপোর্টশিংগী মতূং ইন্না মহাক্না ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ভাইস চীফ এয়ার মার্শেল রাকেশ সিংহ ভৌদাওরিয়াগা পাউ ফাওনরি।

এয়ার ট্রাফিক কন্ট্রোলগা এ এন -৩২ এয়ারক্রাফট অদুগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবগী হেক মতূংদা আই এ এফনা খুদক্তা প্লেন অদু থিনবা সি -১৩০ এয়ারক্রাফট অমা, এ এন -৩২ এয়ারক্রাফট অমা অমসুং এম আই -১৭ হেলিকোপ্টর অনী থাজিনখি।

মাঙখিবা প্লেন অদু থিনবা আই এ এফনা অফংবা পোৎলম পূন্নমক শিজিন্নরি হায়না আই এ এফকী গ্রুপ কেপ্টেন অনুপম বেনরজিনা হায়খি।

এয়ারক্রাফট অদুনা ক্রাস তৌদুনা তাখিবা ওইরম্বা য়াবা মফম অমগী মতাংদা লৈমায়দা পাউ কয়ামরুম ফংখ্রে। পাউশিং অদুগী মতূং ইন্না ক্রাস তৌফম ওইগনি হায়না মফম অদুদা হেলিকোপ্টরশিং থাজিনখ্রে। অদুমকপু হৌজিক ফাওবদা প্লেন অদুগী অতেক-অকাই অমত্তা উবা ফংদ্রি হায়না প্রেস ইনর্ফোমেসন ব্যুরো (দিফেন্স ৱিং)না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিদাং ৱাইরমদা ন্যু দিল্লিদা থোকপা ষ্টেৎমেন্ট অমনা হায়খি। নোংথক্তগী অমসুং ইন্দিয়ান আর্মিগী গ্রাউন্দ পার্টিশিংগা নুমিদাং চুপ্পা থিবা হুম্বগী থবকশিং চত্থনবা থৌরাং তৌরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

ঙসিগী থৌদোক অসিগা মান্ননা ঙসিদগী চহী ৩গী মমাঙ জুলাই ২২, ২০১৬দা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফ এ এন -৩২ অমা বে ওফ বেঙ্গলগী মথক্তা পাইরিঙৈদা থিবা খঙখিদে।

তম্বরাম এয়ার ফোর্স ষ্টেসনদগী পাইখৎখিবা অমসুং পোর্ট ব্লেয়র তম্না পাইখিবগী লম্বীদা মাঙখিবা প্লেন অদু হৌজিক ফাওবা লিখুন লিবা ঙমদ্রি।

২০১৬দা চেন্নাই সমুদ্র তোর্ব্বানদগী কিলোমিটর ২৭০ রোম লাপ্পদা রাদরদগী মশক উখিদ্রবা এয়ারক্রাফ অদু খোঙ্গুল লিনবা অকনবা থিবা-হুম্বগী ওপরেসন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা চত্থখি। ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স, ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দ (আই সি জি), নেভি অমসুং নেসনেল ইনষ্টিট্যু ওফ ওসিন টেক্নোলোজি (এন আই ও টি)না প্লেন অদু থিনবা পূন্না থবক তৌখি। অদুম ওইনমক থিবা -হুম্বগী ওপরেসন অদু মখা চত্থদুনসু ফল অমত্তা ফঙবা ঙমখিদ্রে।

মমৈথংদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা শিরে হায়না লৌরবা প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই ২৯ অদুগী ইমূং -মনূংশিংতা পাউ খঙহনখ্রে। এন্টোনোভনা শাবা মাঙখিবা এ এন ৩২ অদুগী মতাংদা চত্থবা ইনক্বারিনা প্লেন অদুগী ইমর্জেন্সি লোকেটর ট্রান্সমিটর (ই এল টি) অদু এক্টিভেট তৌখিরমদবা য়াই হায়বা ফংখ্রে।

# পাক হোস্পিটালদা এ সি য়াদবদগী অঙাং ৮ শিখ্রে

***ইস্লামাবাদ, জুন ৩(এজেন্সি)ঃ***
পাকিস্থানগী সহিৱালদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা এয়ার-কন্দিসনিং (এ সি) সিষ্টেম য়াদবদগী য়ামদ্রবদা পীক্লিবা অঙাং ৮ শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



অঙাংশিং অদু শিখিবগী থৌদোকশিং অদু, মরুওইনা এ সি সিষ্টেম ফেল ওইবা য়াওনা থৌদোকশিং অদু পাউদম্লদুনা সহিৱাল দিপুটি কমিস্নার জমান ৱাত্তুনা পঞ্জাব গভর্ণমেন্টকী স্পিসিয়েলাইজ হেলঠকিয়ার এন্দ মেদিকেল এদুকেসনেল দিপার্টমেন্টতা চিঠি অমা ইরকখ্রে হায়না জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরস সহিৱালগী পেদিয়াট্রিক ৱার্দতা এ সি সিষ্টেম অদু য়াখিদবদগী অঙাংশিং শিখিবগী পাউ অদু খঙহন্দুনা অনাবা অমগী এটেন্দেন্ট অমদগী থাংজগী অথেঙবা অহীংদা মহাক্না ইমর্জেন্সি কোল অমা ফংখি হায়না ওফিসার অদুনা হায়খি।

ঐহাক্ন থুনমক ৱার্দ অদুদা চংখি অমসুং এ সি সিষ্টেম অদু য়াদনা লৈরম্বা থেংনখি। মদুনা মরম ওইদুনা কা মনূংগী টেম্পেরেচর লৈফম থোকপা চাংদা লৈরমদে হায়না ওফিসিয়েল অদুনা মখা তাখি।

# দোনাল্ড ট্রম্পনা বক্কিংহাম পেলেসতা বৃটেনগী ক্বিইন এলিজাবেথ-২গা উন্নখ্রে





***লন্দন, জুন ৩(এজেন্সি)ঃ***
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং মহাক্কী লোয়নবী নুপী মেলানিয়াবু ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা বক্কিংহাম পেলেসতা মখোয়না থুংলখিবদা ক্বিইন এলিজাবেথ -২না হরাও-তয়ান্না ওকখ্রে।

বৃটেনগী ক্বিইন অদুগী য়ুমগী মনীংদা লৈবা লৈকোন অদুদা লেন্দিং তৌদুনা ট্রম্প অমসুং মেলানিয়ানা হেলিকোপ্টরনা কোনূং অদুদা থুংলখি।

মখোয়না ক্বিইন এলিজাবেথকা উন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়বু প্রিন্স চার্লস অমসুং মহাক্কী লোয়নবী কেমিল্লানা তরান্না ওকখি।

অদুবু য়ু এস প্রসিদেন্টকী য়ুনাইটেদ কিংদমদা লাকপা খোঙচৎ অসিদা মহাকপু অমুক্কা হন্না এঙ্গ্রি বেবি ওইনা উৎপা ট্রম্পকী শকফম মানবা অচৌবা বেল্লুন অমগা লোয়নন্না প্রোটেষ্টরশিংনা ওক্কদৌরি।

ক্লাইমেট এক্সনদগীনা ৱিমেন্স রাইটস ফাওবগী হীরমশিং শৌগৎপা গ্রুপশিংগীদমক মীয়ামগী কেম্পেন অমনা পাউন্দ ৩০,০০০ (দোল্লর ৩৮,০০০)কী টার্গেট অমা খোমগৎলবগী তূংদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পপু করেন্নবা উৎলিবা বেল্লুন অদুগী টিম অদুনা বেল্লুন অদু দোনাল্ড ট্রম্পনা লৈগদৌরিবা মনাকশিংদা মহাক্কী খোঙচৎ মনূংদা পাইগনি হায়না ঙরাং ফোঙদোকখি।

মিটর ৬ ৱাংবা অচৌবা ইনফ্লেটেবল বেল্লুন অদুনা দোনাল্ড ট্রম্পপু দাইপর শেৎপা, হকাম চল্লিবা কোমলা মচুগী অঙাং অমা ওইনা উৎলি। দোনাল্ড ট্রম্পকী মমাঙগী খোঙচৎতা সেন্ট্রেল লন্দনদা তিনখিবা এন্টি-ট্রম্প প্রোটেষ্টর লিশিং চা কয়া অদুগীদমক বেল্লুন অদুনা শৌগৎনবগী শিম্বোল অমা ওইখি।

ট্রম্পনা মহাক্কী খোঙচৎ অসি য়ারিবমখৈ মীয়ামগা থেংনদনবা হোৎনগদৌরি। অদুবু ঐখোয়না ট্রম্প বেবি বেলুন অদু পাইদুনা মহাক্কী অরানবা পোলিটিক্সনা শোকহল্লবশিং অদুদা শৌগৎপগী য়ান্না শেংলবা পাউজেল অমা থাগনি হায়না মখোয় মশামকপু ট্রম্প ব্লিম্প 'বেবিসিট্টরস' হায়না কৌজরিবা ওর্গনাইজরশিং অদুগী মনূংদগী অজুব ফারাজি কৌবা অমনা হায়খি।

# সোপিয়ানদা আর্মিনা কাপ্পদা ২ শিখ্রে

***শ্রীনগর, জুন ৩(এজেন্সি)ঃ***
জম্মু এন্দ কাস্মিরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা আর্মিনা কাপ্পদা ঙসি মীওই ২ শিখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা সোপিয়ানগী মুলু চিত্রাগমদা আর্মিনা চেকপোইন্দ অমা থমখি। মদুদা লন্নাই গারী অমনা চেক পোইন্ট অদু নমদুনা নাম্থোক্লগা চৎখি অমসুং গারীদুদগী মিলিটেন্টশিং থোক্লক্লগা নোংমৈ কাপশিলকখিবনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

মদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা টেরোরিষ্টশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা টেরোরিষ্ট ১ শিখি। সেক্যুরিটি পার্সোন্নেলনা খূৎ হন্দুনা কাপ্পদা মীওই ২সু শিখি। হকচাংশিং অদু মশক খঙদোক্লবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা পুখৎখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউ ফংনবা হোৎনবদা আর্মি ওফিসিয়েল অমসুং দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই ফংখিদে।

# রিপিট রেপ কনভিকশিংদগীদমক শিবগী চৈরাক পীনবগী ক্লোজ বোম্বে হায় কোর্টনা শৌগৎখ্রে

***মুম্বাই, জুন ৩(এজেন্সি)ঃ***
হন্না-হন্না রেপকী মরান লৈরবশিংগীদমক পূন্সিচুপ্পগী জেলগী চৈরাক নৎত্রগা শিবগী চৈরাক পীনবগী ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (আই পি সি)গী শেমদোক্লবা সেক্সন অমা কনষ্টিট্যুসনগী মখাদা য়াই হায়না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা বোম্বে হায় কোর্টনা শৌগৎখ্রে।

শক্তি মিল্ল গেং-রেপ কেসকী কনভিক ৩না ২০১৪দা মখোয়বু শিবগী চৈরাককী ৱাই পীখিবা আই পি সি প্রোভিজনশিং অদু কনষ্টিট্যুসনন্না য়ানিংঙাই ওইদে হায়না শীংনরকখিবনি।

অদুবু মখোয়গী ৱাকৎশিং অদু জষ্টিস বি পি ধর্মধিকারি অমসুং জষ্টিস রেবতি মোহিতে দেরেগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা ককথৎখি। আই পি সিগী সেক্সন ৩৭৬ (ই)গী এমেন্দমেন্ট অমগী মখাদা হঞ্জিন-হঞ্জিন রেপকী মরান লৈরবশিং পূন্সিচুপ্পা জেলগী চৈরাক নৎত্রগা শিবগী চৈরাক মায়োক্লে। আই পি সিগী রেপকী সেক্সন অদু ২০১২তা দিল্লিদা মশাগী চহী ২৩ শুবী নুপী অমা গেং রেপ তৌখিবা থৌদোক অদুগী মতূংদা শেমদোকখিবনি।

# 'মালেমগী খ্বাইদগী শাবা মফম ১৫গী মনূংদা ৮ দি ইন্দিয়াদ লৈ'

***ন্যু দিল্লি, জুন ৩(এজেন্সি)ঃ***
ৱেদর মোনিটরিং ৱেবসাইট এল দোরাদোগী মতূং ইন্না হৌখিবা পূং ২৪দা মালেমগী মনূংদা খ্বাইদগী হেন্না শাবা মফম ১৫গী মনূংদা ৮দি ইন্দিয়াদা লৈ। অতৈ মফমশিং অদুনা থংনবা পাকিস্থানদা লৈ হায়রি।



ইন্দিয়ান মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী মতূং ইন্না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা রাজস্থানগী চুরুনা দিগ্রী সেলসিয়স ৪৮.৯ ওইদুনা খ্বাইদগী টেম্পেরেচর ৱাংবা ওইখ্রে।

চুরুনা হিটৱেট এদভাইজরি অমা থোকখ্রে অমসুং গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংনা অহেনবা এয়ার কন্দিসনরশিং, কুল্লরশিং অমসুং হিদাক-লাঙথকশিং থমদুনা ইমর্জেন্সি ৱার্দশিং থৌরাং তৌখ্রে হায়না চুরুগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক মেজিষ্ট্রেট রামরতন সোনকারিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

থর মরুভুমি তাবা চথোক চৎশিন তৌফমনি হায়না খঙনরিবা চুরুগী লম্বীশিংদা শাবগী চাং নেমথহন্নবা অমসুং লম্বীশিং অদু শৌদোকপদগী থিংনবা ঈশিং হৈজিন্দুনা হোৎনরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

রাজস্থানগী সিকারদগী লৌমী অমা শাবগী মৈশাদগী ৱাম্থরক্তুনা ঙরাং শিখ্রে হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা দিল্লিগী টেম্পরেচরসু দিগ্রী সেলসিয়স ৪৪.৬ য়ৌখি। ফুদ দিলিভরি এপপ, জোমাটোনা মখোয়গী কষ্টমরশিংদা দিলিভরি ষ্টাফপু অঈংবা ঈশিং গ্লাস অমা পীবীদুনা অৱাবা কোকহনবীয়ু হায়খি।

GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 02/05/19
Valid : 23/04/19
Stk : 918
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 19/04/19
Sl. No. : 4670
Valid : 16/04/19
Sl. No. : 4121
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : Up to Date
Valid : Nill
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Lamsang Gas Agency**
Booking : 04/05/19
Valid : 29/04/19
Stk : 308
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : 16/05/19
Valid : 11/05/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 29/04/19
Valid : 24/04/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 08/05/19
Valid : 04/05/19
Stk : 306

**Misao Gas Service**
Booking : 20/05/19
Valid : 03/05/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 14/05/19
Sl. No. : 255980
Valid : 06/05/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : 30/04/19
Valid : 26/04/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Imphal L P G**
Booking : Up to Date
Stk : 234
Time : From 08.00 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 12/05/19
Valid : 06/05/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 25/04/19
Valid : 08/04/19
Sl. No. : 50219
Stk : 1224
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 11/05/19
Valid : 10/05/19
Sl. No. : 32590 to 32750
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-141**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | | 8 | | 2 | | 6 |
| 6 | 4 | | | | 2 | | 9 | |
| | 9 | | | 6 | | 1 | 8 | |
| | | 6 | 7 | | | 9 | | 8 |
| 2 | | 9 | 1 | | | 6 | | |
| 7 | | 1 | | 9 | | 4 | | |
| | | 5 | 2 | | 6 | | | 9 |
| | 6 | | | 4 | 1 | | 2 | |
| | 2 | | 9 | | | 7 | | |

**সনা-সুদোকু - ১৪০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 9 | 3 | 6 | 1 | 7 | 2 | 4 | 5 |
| 5 | 2 | 1 | 8 | 9 | 4 | 3 | 7 | 6 |
| 7 | 6 | 4 | 3 | 5 | 2 | 1 | 8 | 9 |
| 6 | 5 | 7 | 9 | 3 | 1 | 8 | 2 | 4 |
| 3 | 4 | 2 | 5 | 7 | 8 | 9 | 6 | 1 |
| 9 | 1 | 8 | 2 | 4 | 6 | 5 | 3 | 7 |
| 2 | 8 | 9 | 4 | 6 | 5 | 7 | 1 | 3 |
| 1 | 3 | 6 | 7 | 8 | 9 | 4 | 5 | 2 |
| 4 | 7 | 5 | 1 | 2 | 3 | 6 | 9 | 8 |